গৌহাটি হায় কোর্টনা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন জুন ৩০ ফাওবা শাংদোকহনখ্রে

গুৱাহাটী উচ্চ ন
GAUHATI HIGH

গুৱাহাতি, মে ২৪ (এজেন্সি):

গৌহাটি হায় কোর্টনা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন জুন ৩০ ফাওবা শাংদোকহন্নবা য়াথং পীখ্রে।

হৌখিবা মার্চ ২৪ দা হায় কোর্টনা ওর্দর অমা থোক্তুনা মে ২৬ ফাওবা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাক্লবা খঙহনখিবনি।

হায় কোর্টকী রেজিষ্ট্রার জেনরেলনা থোকখিবা ওর্দর অমনা হায়খি মদুদি, লৈবাক্কী হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা মীপুম খুদিংমক কোর্টকী কম্পাউন্দ মনুংদা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎপা মথৌ তাই। ওনরেবল জজ, লর্নেদ এদভোকেট, লিটিগেন্ট, ষ্টাফ অমদি অতৈ মীওই পুম্নমক কাঙলোন ঙাক্লা চৎকদবনি। গুৱাহাতি, কোহিমা, আইজোল অমদি ইটানগরদা লৈবা কায় কোর্টকী বেঞ্চ খুদিংমক্তা কাঙলোন অসি ঙাক্লা চৎখিগনি।

চৈরকসিদা অসামগী অনৌবা কোভিদ-১৯গী কেস ৪ থেংনখিবগা লোয়ননা অপুনবা কেস মশিং ৩৫০ শুরে। নৌনা পোজিটিভ ওইরে হায়বা খঙলকখ্রবা মীওই মরিগী মনুংদা টেজপুর ক্বারন্টিন সেন্টরদগী মীওই অনী য়াওইরি। অতোপ্পা মীওই অনী অদুনা চেন্নাইদগী হন্দক্তা হল্লকপদা ঙাইহিরিবনি। থাংজ নুমিত্তসু ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ গী কেস ৮৭ থেংনখি।

অনাবা মীওই ২৮৬ তোঙান-তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা লায়েংলি। হৌজিক ফাওবদা পোজিটিভ ওইরবা মীওই ৫৪ তোঙান-তোঙানবা হোস্পিটালদা লায়েংবদগী ফিভম ফগৎলকপা মরম্না দিসচার্জ তৌখ্রে। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা শিখিবা মীশিং ৪ শুরে।

অমরোমদা, টেজপুর মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালগী আইসোলেসন ৱার্দতা কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট লায়েংলিবা দোক্তর অমদি হেল্থ ৱর্করশিং ইন্সটিট্যুসনেল ক্বারন্টিন সেন্টরদা থম্লি। আই সী এম আর গাইদলাইন মতুং ইন্না অনাবা মীওই লায়েংলুবা দোক্তর, নর্স, পেরামিদিকেল ষ্টাফ অমদি শীৎ-শেংবগী থবক তৌরিবা ক্লিনিং ষ্টাফ পুম্নমক নুমিৎ ৭ নি ক্বারন্টিন সেন্টরদা থমগদবনি।

থাউগী মমল জুন ১ দগী হেনগৎলগনি

আইজোল, মে ২৪ (এজেন্সি):

মিজোরাম গভর্নমেন্টনা জুন ১ দগী হৌনা দিজল অমদি পেট্রোলগী মমল মথংশিংনা চাদা ২.৫ অমসুং চাদা ৫ হেনগৎনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

টেক্সেসন মিনিষ্টর লালচমলিয়ানানা হায়খি, কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা লোকদাউন তৌখিবনা পীরক্লিবা চৈথেং খরমখে কোকহন্নবগী পান্দমদা থাউগী মমল হেনগৎনবা ফিরেপ লৌরকপনি।

চীফ মিনিষ্টর জোরামথঙ্গানা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরসকী মীফম্না দিজলগী ভেল্যু এদেদ টেক্স চাদা ১২ ওইরম্বদগী চাদা ১৪.৫ ওইহন্নবা ৱারেপ লৌখি। পেট্রোলগীনা চাদা ২০ ওইরম্বদগী চাদা ২৫ ওইহন্নবা ৱারেপ লৌরে হায়রি।

টেক্স হেনগৎখিবগা লোয়ননা দিজল লিটর অমগী মমল লুপা ৬০.৪৯ ওইরম্বদগী লুপা ৬২ য়ৌরগনি। পেট্রোলগীনা লিটরদা লুপা ৬৬.৫৪ ওইরম্বদগী লুপা ৬৯.৮৭ ওইরগনি। ষ্টেট অসিদা মার্চ থাগী ওইনা গুদস এন্দ সর্ভিসেস টেক্স লুপা ক্রোর ৪৮ খোমগৎপা ঙমখি। এপ্রিল থাদদি শুপ্নগী লুপাা ক্রোর ১৪ খোমগৎখি হায়রি

ত্রিপুরাদা মীওই ১৬ পোজিটিভ ওইরে

অগরতালা, মে ২৪ (এজেন্সি):

ত্রিপুরাদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ১৬ থেংনখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী অপুনবা কেস মশিং ১৮৯ য়ৌরে। নৌনা থেংনখিবা মীওইশিং অদু হন্দক্তা মুম্বাইদগী ট্রেন তোংদুনা থোরকখিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবনা হায়খি, থাংজ নুমিত্তা অপুনবা সেম্পল ৯৯৬ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা মীওই ১৬ পোজিটিভ ওইরে। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদু হোস্পটালগী আইসোলেসন ৱার্দতা থমদুনা লায়েংলি। তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরুবদগী হল্লক্লবা মীওই খুদিংমক ক্বারন্টিনগী কাঙলোন ঙাক্লা চৎপগা লোয়ননা মীয়ামগী য়াইফনবা লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা থৌরাংদা কোওপরেসন পীবিয়ু হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অমদা ত্রিপুরাগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রতন লাল নাথনা হায়খি, ষ্টেট অসিগী অনাবা মীওই ১৫৩ লায়েংবদগী ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখ্রে।

নোং কন্না চুরকখিবনা মরম ওইরগা মেঘালয়াগী গারো হীলসতা ঈচাও থোকখ্রে

শিল্লোং, মে ২৪ (এজেন্সি):

সাইক্লোন অম্পননা মেঘালয়াদা মখল অমত্তগী চৈথেং পীরক্তবা তারবসু হন্দক্তা অকনবা নোং চুরকপদগী গারো হীলসতা ঈচাও থোকখ্রে। অতেনবা মতমগী মনুংদা ইখঙ খঙহৌদনা নোং কন্না চুরকপদগী মফম অদুদা লৈরিবা পাৎ তুরেল পুম্নমক ঈমায় পাথোরকখি।

ৱাটর বোদিশিংগী মনাক নক্লা লৈবা মীওই অয়াম্বা মাঙজৌননা খুদোংথিবা থোক্লোইদবা মফমদা হোন্দোক্লখি। মীয়ামগী অয়াবা কোকহন্ননবগী পান্দমদা রক্সমগ্রে অমদি তিক্রিকিলা এরিয়াদা লৈরিবা দিপার্টমেন্ট খুদিংমক সব-দিভিজনেল ওফিসর অমদি ব্লোক দিভলপমেন্ট ওফিসরশিংগী মতেং পাংদুনা অৱাবা তারবা মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাংশিং লৌখৎকদবনি হায়না খঙহনখ্রে।

হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা মীপুম খুদিংমক খুদোংথিবা মায়োক্ল দনবা গারো হীলসকী মফম পুম্নমক্তা জেনরেল এলর্ট লাউথোক্তুনা মীয়াম্বু মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈহনখ্রে।

ইন্দিয়ন মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই এম দি)গী রিপোর্ট মতুং ইন্না অসাম, মেঘালয়া অমদি অরুনাচল প্রদেশকী মফম খরদা নোং কন্না চুরকপা য়াই হায়রি।

সাইক্লোন অম্পনগী চৈথেং ওইনা অৱাং-নোংপোক লমদমগী মফম খরদা অকনবা নুংশিৎ শীৎলকপগা লোয়ননা নোং কন্না চুরকপা য়াই হায়না আই এম দিগী দিরেক্টর জেনরেল মৃত্যুঞ্জয় মহাপট্রনা ফোঙদোকখি।

মমাংদা কেবিনেট সেক্রেটরি রজিব গোবানা ময়াই তাংবল লৌদুনা নেসনল ক্রাইসিস মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী মীফম অমা পাঙথোক্লগা সাইক্লোন অম্পননা ওরিষা অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ওইহল্লক্লিবা ফিভমগী মতাংদা কুপ্না খন্নখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ওরিষা অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ সেক্রেটরিশিংনা হায়খি মদুদি, আই এম দিনা নোং-চীংগা মরী লৈনবা পাউ মতম চানা পীরকখিবা অমসুং নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ)না মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎখিবা মরম্না ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মীওই লাখ ৫ অমসুং ওরিষাগী মীওই লাখ ২ খুদোংথিবা নংখিদবনি।

ষ্টেটকী পাউ

হায় কোর্টনা লুপা লাখ ৩ দিপোজিট তৌনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস):

সেকমাই ফোরেষ্ট দিভিজনগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসরনা ফাজিনখিবা ট্রক ২, জে সী বি ৩ অমসুং পোক্লেন ২গী মপূনা পিটিস্নর ওইদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা মিসেলিনস কেস (পি আই এল) নম্বর-৪ ওফ ২০২০ কোর্ট অসিগী দিভিজন বেঞ্চ অমনা দিস্পোজ তৌখিবগা লোয়ননা গাড়ীশিং অসিগী মপূনি হায়রিবা পিটিস্নরদা লুপা লাখ ৩গী শেনফম দিরেক্টর (ট্রেদ, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ)দা দিপোজিট তৌনবা দিরেক্সন পীখ্রে।

মিসেলিনস কেস (পি আই এল) অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা সু-মোটোদা লৌখৎতুনা ৱায়েল চথরক্লিবা থৌবাল তুরেল কন্নবগী পি আই এলগী হিয়রিং চথরকপদা ফাইল তৌরকখিবনি। মসিগী পিটিস্নরগী মমিংনা খ্বাইরাকপম মাইপাকসনা কৌই, সেকমাইদগীনি। পিটিসন অসি মহাক্লা ষ্টেট ওফ মণিপুর অমসুং অতোপ্পা রেস্পোন্দেন্ট ১০গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিস্নরনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা মহাক্কী গাড়ীশিং অসি তুরেলগী জ্যুরিসদিক্সন ৱাংমদা লৈবা মশাগী লমদা খামদুনা লৈরিঙৌদা হৌখিবা মার্চ ৩দা সেকমাই ফোরেষ্ট দিভিজনগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসকী ষ্টাফশিংনা ফাজিনখিবনি হায়বসিনি। ফাজিনখিবা গাড়ীশিং অদুনা টাটা টিপ্পর- এম এন-০১-৬৩৫৫ অমসুং এম এন-০১/এক্স-১৮০৪ অমসুং রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওদবা জে সী বি অহুম অমদি জে সী বি পোক্লেন অনীনি। ফাজিনখিবা মহাক্কী গাড়ীশিং অসি থাদোকহনবীয়ু হায়বসিনি।

পিটিসন অসি জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোল অনীগী দিভিজন বেঞ্চতা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎলগা থেংখাং নাইনা মসিগী হিয়রিং পাঙথোরক্লবা মতুংদা ওর্দর পীদুনা দিস্পোজ তৌখ্রে।

দিভিজন বেঞ্চকী ওর্দর অদুদা পিটিস্নরনা নুঙ অমসুং লৈঙোই চিংথোক-চিংশিন তৌরগা মীয়ামদা য়োনবা নৎত্রগা অতোপ্পা মরম অমগীদমক হায়রিবা থবকশিং অসি তৌরোইদবনি। লোগী মতুংইন্না ষ্টেট লৈঙাক্লা পর্মিট পীদ্রিবা ফাওবদি সেকমাই তুরেল য়াওনা অতৈ তুরেলশিংদগী হায়রিবা থবক অসি তৌরোইদবনি। পিটিস্নরনা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিং নৎত্রগা দিরেক্টোরেট ওফ ট্রেদ, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসরশিংদা কো-ওপরেসন পীগদবনি। লোয়ননা লোয়শঙ অসিগী দিরেক্টরদা লৌফম থোকপা ফাইনগী শেনফম লৈরম্লগনা এদজষ্ট তৌনবা অমসুং লৈরমদ্রগনা হন্দোক্কদবা লুপা লাখ ৩ দিপোজিট তৌননবা দিরেক্সন পীরগা পিটিসন অসি দিস্পোজ তৌখি।

পনবা য়াবদি, পিটিস্নর অসি মশাগী চহী ৪৬ লোম শুরে, অৱাং সেকমাই কৌজেং লৈমদগীনি। মহাক্কী পিটিসন অসি দিভিজন বেঞ্চনা খন্নরকপদা মহাক্কী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল বি পি সাহুনা লেপ্লগা রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা মথংশিংনা এদভোকেট জেনরেল, কাউন্সেল এ রোম্মেল অমসুং এসিষ্টেন্ট সোলিসিটর জেনরেল এস শুরেশনা লেপখি।

কম্মিসন্না ইতম নুঙ্গোয় বেপটিষ্ট চর্চকী ৱাথোক শন্তাইনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লম্লাই এ সীগী মনুং চন্না ইতম নুঙ্গৈইদা লৈবা ইতম নুঙ্গোয় বেপটিষ্ট চর্চতা নন খৃষ্টিয়ানশিংনা য়ৈখাই থিনগাইবা পীরে হায়না থারকখিবা কমপ্লেন্ট অমনা মরী লৈননা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলবা মতুংদা নাকল অনীগী মরক্তা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না শন্তাইনবা অমা পুরকপগা লোয়ননা কেস লোইশিনখ্রে।

মৈতৈ বেপটিষ্ট এসোসিএসনগী এগজিক্যুটিভ সেক্রেটরি ফাইরেম্বম ধনেশ্বরনা কম্মিসন অসিদা কমপ্লেইন্ট অমা থারকখিবনি। লোয়ননা কমপ্লেন্ট অদুনা পল্লিবদি, কুমজা ২০১১গী ওক্টোবর ১৪দা ইতম নুঙ্গৈই ভিলেজ দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগা মরী লৈননা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকেল ২৫ অমসুং ২৬ থুগাইদুনা নন খৃষ্টিয়নশিংদা মখল মখা কয়াগী অথিংবা পীদুনা অৱাবা নংহল্লে।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা লমলাই পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন চার্জদা রিপোর্ট অমসু তৌখি। মদুগী মতুংদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসতসু রিপোর্ট তৌখি। অদুম ওইনমক চর্চকী মেম্বরশিংদা মখা তানা অথিংবা অমদি মখল মখা কয়াগী খুদোংচাদবা মায়োক্লহনখি। মরম অদুনা কম্মিসন্দসু মীৎয়েং চঙবীনবা ৱাকৎ অমা থাংগৎলকখি।

মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্নসু কমপ্লেন্ট অদুগা মরী লৈননা কুমজা ২০১৯গী নবেম্বর ১১দা লমলাই পুলিস ষ্টেসন্দগী রিপোর্ট কৌখি। পুলিসকী রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না ইতম নুঙ্গৈই ভিলেজ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরি কৌখৎতুনা মখা তাবা চর্চকী থবক থৌরমশিংদা য়ৈখাই থিনগাইবা পীদনবা পাউতাক পীখি। মদুগী মথক্তা এসিষ্টেন্ট সব ইন্সপেক্টর অনী, হেদ কন্সটেবল অমা, পুলিস পর্সনেল মাপন অমসুং ভি দি এফ পর্সনেল ১৩ দিপ্লোই তৌদুনা ঙাক শেনবগী থবক চথুখি। নাকল অনীগী মরক্তা হায়রিবা ঈরাং অদু নেমথদ্রিবা ফাওবা লৈনবা এস পিনা খঙহনখিবনি।

অমরোমদা, মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না ভিলেজ ওথোরিটিশিং অমদি মৈতৈ বেপটিষ্ট এসোসিএসনগী মেম্বরশিং কৌখৎতুনা কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা মীওই অমনা চৎনীংবা লাইনীং চৎপগী অয়াবা অদুগা মরী লৈননা মখা তানা লায়নীং লাইশোনগী ৱাফমদা পামদবা থৌদোক থোকহন্দনবা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা অমা পুরকপা ঙমখিবগা লোয়ননা কেস অদু লোইশিনখ্রে।

মপান্দগী হল্লকপদা হোম ক্বারন্টিন তৌরুনবা থাদোরকখিবা নুপীমচা অমা লৈকায় থাদোক্তুনা চৎখিনবা খঙহল্লকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস) :

ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী হল্লকখিবী কৈথেল্লাকপম বিনিতা (২৫) মৈত্রমদা লৈবা য়ুনাকো স্কুলদা হাংদুনা লৈরিবা ক্বারন্টিন সেন্টরদগী হোম ক্বারন্টিন তৌরুরো হায়বদগী ময়ূমদা হল্লক্লবা মতুং পাংশোয় অৱাং খুনৌগী মীয়াম্না লৈকায় থাদোক্তুনা চৎখিনবা খঙহল্লকখ্রে হায়রি। করিগুম্বা মফম অসি থাদোক্তুনা চৎত্রগনা য়ূমদগী নুমীৎ ১৯ রোম মপান থোক্লকপা য়ারোইহায়না অথিংবা থম্বনা চান-থক্লবা পোৎলম ফংদবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসিদা লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা য়েংশিনবিদুনা মতেং পাংবিয়ু হায়না বিনিতাগী পোকমিন্নবী মচে কৈথেল্লাকপম পেপেনা ফোঙদোরক্লি।

লমশাং এ সীগী মনুংচন্না লৈবা অৱাং খুনৌদা কৈথেল্লাকপম পেপে মহাক্কী অপোকপা অমদি অপোকপিগা লোয়ননা ওক্কী ফার্ম তৌদুনা লৈবনি। বিনিতানা ক্বারন্টিন সেন্টরদগী হল্লকপা মতমদগী অথিংবা কয়া থল্লকখিবনা ওক ফার্মদা লৈরিবা ওক ১০০ রোমদা মচিঙ্গাক পীজনবা হোৎনবা অমদি ওক মচিঙ্গাক থাক্লবগী থবক শুরম্বা মীওইশিংসু লাকখিদবনা অচৌবা অৱাবা কয়া মায়োক্লরে হায়রি। বিনিতা কোলকাটাদগী মীওই ২১গা লোয়ননা বস ৱাইদুনা থোক্লক্তুনা ইম্ফালদা মে ১০দা থুংলখিবনি। ইম্ফাল হেক থুংলবা মতুং মীওই ২১গা পুন্না মৈত্রমদা লৈবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা ক্বারন্টিন তৌদুনা লাকখিবনি। অদুবু ক্বারন্টিন শেন্নরিবা মীওইশিংনা অনৌবা মীওই কয়া ক্বারন্টিন সেন্টর অসিদা লাক্লগনি। পোজিটিভ ওইবা মীওইসু অমত্তা য়াওদবনিনা য়ূম-য়ূমদা হোম ক্বারন্টিন তৌরুরো হায়না সর্টিফিকেট পীদুনা ক্বারন্টিন সেন্টরদগী মে ১৮দা পুন্না মীওই ১০০ রোম থাদোরকখিবনি।

লৈকায়গী মীওই অমদি পুলিসনা ক্বারন্টিন সেন্টরগী মীওইশিংদা মতম খরা থম্নবা হায়রুবা মতমদা ক্বারন্টিন সেন্টরগী মীওইশিংনা নৌনা লাক্তুনা লৈরিবা মীওইশিংদা পোজিটিভ ওইবা মীওই য়াওরম্লগদি হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লরগনি। মরম অদুনা হোম ক্বারন্টিন ওইনা অদুমক তৌবিরো হায়রকখি। ৱারবা তানফম অসিদা অমনা-অমবু মতেং পাংনবগী মহুৎতা অসিগুম্বা তোঙানবা মীৎয়েং থম্বিবা অসি পেন্দে। লৈকায়দা থোক্তুনা পোৎচৈ লৈবা অমদি ঈশিং ফাওবা শোকপা ফংদ্রে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

লৈকায়দুগী মীওই অমদি মেম্বরসু ওইরিবা সঞ্জোয়না ফোঙদোরকখিবদা বিনিতাগী ইমুং-মনুংদা থোইনা অকনবা অথিংবা করিসু পীবা লৈখিদে। তৌবতবু অরুবা শন্দোক্কনবা লায়না অমা ওইবনিনা ক্বারন্টিন তৌবগী নুমীৎ লোয়শিল্লগা লাকপনা ফে হায়না লৈকায়গী মীওইশিংনা হায়বনি। অদুবু ক্বারন্টিন সেন্টরদসু লৈফম লৈত্রে হায়রক্লবনিনা নুপীমচা অমদি মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং মতম খরা য়ুমদগী মপান থোক্তুনা লৈনবা হায়খিবনি। তঙাইফদবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়ানবা অমগী মখাদা মখোয়গী ইমুং-মনুংদা ফংহন্নবসু হোৎনগনি। তৌবতবু ফার্মদা লৈরিবা ওক ১০০গী মচিঙ্গাক পীবদি অৱাবা ওইগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

ওজাশিংগী দিমান্দ খন্নবীয়ু : কোটা

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস) :

মরম চারবা ওজাশিংগী দিমান্দ খন্নবিয়ু হায়না কাউন্সিল ওফ টিচর্স এসোসিএসন (কোটা)না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ওজাশিংগী য়াইফনবা থবক পাঙথোক্তুনা লাকখিবা কোটানা কুমজা ২০১৯গী জুলাই থাদা থোকখিবা আর ও পিগী অশোইবা কয়া অসি শেমদোকপীয়ু হায়না লৈঙাক্তা মেম্মোরেন্দম পীশিনখি। চীং অমসুং তম শীনবা থুংনা ৱাকৎ মীফম কয়াসু ফমখি। রিলে অঙ্গর ষ্ট্রাইক চঙশিনখি। মহৈরোয় খুন্নাইগী য়েংদুনা দেম্মক্রেটিক ওইবা খোঙজংদা একাদেমিক ওইবা এটমোসফ্যের কায়হন্দনা খোঙজং অসি চংশিনখিবনি। ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংগী তুংগী কেরিয়র য়েংলগা কাউন্সিল অমদি বোর্দনা শীনবা ক্লাস টুয়েল্ভ, ইলভেন অমদি তেনগী একজাম দিয়ুতি লৌখি। কথোকপনা মশক ওইরবা ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংগী অমদি মীয়ামগী খন্দুনা সেন্সসকী থবকসু য়াওখি। মালেমগী কাচিন-কোয়া শীনবা থুনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা কোটাগী মখাদা লৈবা ওজাশিংনা শরুক য়াদুনা লৈরি। মখা তানসু শেম শারি। লৈঙাক্লা অশোয়বা আর ও পি ২০১৯ অসি শেমদোক্ত্রিবদি ওজাশিংগী ওইনদি লাইবক থীবনি। আর ও পিগী অশোয়বা কয়ানা মরম ওইরগা ওজাশিংনা হৌখিবা চহী ১০ রোমগী মমাঙদগী ফংলকখিবা তোলোবতগী হন্থনা ফংগদৌরি। য়াম্লবা শেনফম লৈঙাক্তা হন্দোকহনগদৌরি। ওজাশিংনা এম এল এ অমদি মিনিষ্টরশিংগা আর ও পি ২০১৯গী অশোইবশিং অদু দোক্যুমেন্টকা লোয়ননা উৎখ্রবনি। লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা স্কুল ফগৎহনসি মিসনদসু ওজাশিংনা কথোকপগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংবু তাকপী তম্বীনবা শেম শারি।

হেন্দগ্লোভ খুলহনখ্রে

জিরিবাম, মে ২৪ (এজেন্সি):

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মপান ষ্টেটশিংদগী পুশিল্লকপা মণিপুরী মচা কয়া জিরিবামগী রেলৱে ষ্টেসন্দা মথং-মথং থুংলক্লি।

জিরিবামগী দি সী, এস পি অমদি সী এস ওশিংনা মপান্দগী লাক্লিবা মণিপুরী ইচিন-ইনাওশিংনা মখোয়না শীজিন্নবা ফেস মাস্ক, হেন্দগ্লোভ অতৈ-অতৈ পোৎলমশিং মফম চানা থল্লিবা দষ্টবিন, বস মনুংদা থল্লিবা গর্বেজ বেগশিংদা থম্বীয়ু, লন্বী শোরোকতা হুন্দোকপিগনু হায়দুনা কয়ারক হন্না হায়রবসু তৌবিরক্তবদগী ঙসি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা চৎপা বস অমনা শোরোক অতিংবী কামরাংদা মনুংদগী হেন্দগ্লোভ হুন্থরম্বদগী, মণিপুর ষ্টুদেন্ট ফেদরেসন, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট অতোম রাজিব মীতৈনা কিলোমিটর ৫ রোম বস অদুবু লৈঙাংপোকপি পুলিস ষ্টেসন ফাওবা তান্নরগা বস মনুংদা তোংলকখিবা পেসেঞ্জরশিং অদুদা ফজবা ৱাহৈনা অমুক হন্না তৌদনবা হায়দুনা গ্যান তাহনখি হায়রি।

অমরোমদা, গুলারতোন বাজারদসু ঙসি ট্রেনদা লাকখিবা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা পুগদবা বসতগী ফেস মাস্ক, হেন্দ গ্লোভ হুন্থারম্বদগী জিরি দিভলপমেন্ট কম্মিটি (জে দি ও) অমদি কংলৈচা ক্লব গুলারথোনগী ভোল্যুন্টিয়রশিংনা তান্নদুনা লৈঙাংপোকপি পুলিস ষ্টেসনদগী বস অদু ফারগা পুরক্তুনা হুন্দোক্লম্বা পোৎ-চৈশিং খুলহনখ্রে হায়রি।

‘ওথোরাইজ ওইদবা ওর্গনাইজেসননা দ্রগ দি-এদিক্সন সেন্টরশিংদা য়েংশিন খোঙচৎ চৎপা কন্দেম তৌই’

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস) :

তমথিবা মওংদা অশি-অনা কয়া য়াওহন্দুনা কোভিদ-১৯ পাকশন্না শন্দোরক্লিবা মতম অমদি লায়না অসি শন্দোরক্তনবগীদমক অকনবা মওংদা ঙাক শেল্লিঙৈ চৈরক অসিদা ইন্টরনেসনেল হ্যুমেন রাইটস ওর্গনাইজেসন হায়বা ওর্গনাইজেসন অমনা প্রাইভেট ওইনা হাংদুনা লৈরিবা দ্রগ দি-এদিক্সন সেন্টরশিংদা য়েংশিন খোঙচৎ চৎলম্বগী থৌওং চুমদবনি। থৌওং অসি অকনবা মওংদা য়ানিংদে হায়না কম্ম্যুনিটি নেটৱর্ক ফোর ইমপাৱরমেন্ট (কোন) অমদি য়ু এস ই আরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, অসিগুম্বা থৌওং অসি কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়া অমদি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী মতুংইন্না রিহেব্লিটেসন সেন্টরশিংগী মপুশিংগী রাইট খোঙ্গাওনবনি।

মালেম শিনবা থুংনা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ পাকশন্না শন্দোরক্লিবা মতম অসিদা অনওথোরাইজ ওর্গনাইজেসনশিংনা য়েংশিন খোঙচৎ চৎপদা সীক্যুরিটি পীবিদনবসু দি জি পি মণিপুরদা আপিল তৌখি। লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা এক্সন লৌখৎপিনবা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসতা কমপ্লেনসু তৌখ্রে হায়রি।

CROSSWORD-3454



ACROSS

- 1 Presume (anag.) (7)
- 5 Convenient (5)
- 8 Jewelled headdress (5)
- 9 Apparition (7)
- 10 Rodent kept as a pet (7)
- 11 Duke's domain (5)
- 12 Goal (6)
- 14 Sagacity (6)
- 18 Transfer (5)
- 20 Wishy-washy (7)
- 22 Supplement to a will (7)
- 23 Burdens (5)
- 24 Drab (5)
- 25 Put on show (7)

DOWN

- 1 Louis Armstrong nickname (7)
- 2 Sacred song (5)
- 3 Stretchy (7)
- 4 Sell abroad (6)
- 5 Hidden stock (5)
- 6 Observed (7)
- 7 Scrumptious (5)
- 13 Species of crow (7)
- 15 Offensive remarks (7)
- 16 Decency (7)
- 17 Slain (6)
- 18 Cut into cubes (5)
- 19 Fortunate (5)
- 21 Precious stone (5)

Solution 3453

A	C	C	E	S	S	■	U	N	F	A	I	R
D	■	U	■	C	■	■	■	I	■	G	■	E
V	E	R	S	E	■	C	Y	C	L	I	S	T
I	■	T	■	N	■	O	■	K	■	N	■	I
S	P	A	R	T	A	N	■	E	D	G	E	R
E	■	I	■	■	■	T	■	L	■	■	■	E
■	■	L	A	M	B	R	U	S	C	O	■	■
A	■	■	■	O	■	A	■	■	■	S	■	N
D	E	A	T	H	■	L	E	G	A	T	E	E
A	■	L	■	I	■	T	■	A	■	R	■	P
G	R	O	U	C	H	O	■	F	A	I	T	H
I	■	N	■	A	■	■	■	F	■	C	■	E
O	C	E	A	N	S	■	H	E	E	H	A	W

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3253

	7	4				5	6	
3		6	7					2
8				4				
	5			7		8		
1	4			5	6	7		
								4
							2	
5	8		2	1				

Solution-3252

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

2	5	4	7	8	1	3	6	9
6	3	9	5	4	2	1	8	7
7	8	1	3	6	9	2	4	5
3	6	7	4	2	8	9	5	1
1	4	5	9	3	7	8	2	6
9	2	8	6	1	5	7	3	4
5	1	2	8	7	4	6	9	3
4	7	6	2	9	3	5	1	8
8	9	3	1	5	6	4	7	2


অসিজোলনেং
ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম
থবক লোইবগা খোংদ্রুম মনুংদা অমুক চঙখিরম্মী।
লুখ্রাবী মচাগা হিংচাবীগা পাম শুরুবদগী হল্লক্লম্মী।
ঈ কনানা থবকশিংসে
লোইশিল্লম্মীনোনে।